# মণিপুর মহিলা কল্যান সমিটিগী ৫৮শুবা ফাউন্দেসন দে সেপ্টেম্বর ১১, ২০২৩না লাকপসিদা



— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

মণিপুর মহিলা কল্যান সমিটি হৌবদগী ঙসি ফাওবা থৌপুবিরিবী থৌনা ফরবী ইমাশিংবু অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। কুমজা ১৯৬৫দগী লাইরিক-লাইশু হৈবী ইমাশিংনা লিংখৎখি। লূপ অসি অহানবদা গভর্ণর রোদকী মণিপুর ষ্টেট সোসল ৱেলফ্যের এদভাইজরি বোর্দকী কা অমদা হৌরকখি। মতমদুদা লৈখিদ্রবী ইমা এস সর্জুনা ওফিস অসিগী সেক্রেটরিগী ফম পুরম্মী। ইমাশিংনা ওফিসকী কা অমদা হৌদোকপীরকপনা ঙসিদি কবো লৈকায় (দ্যুলালেন্দ) দা মফম চাউনা লৈরে।

লূপ অসি লিংখৎখিবা কুমজা ১৯৬৫দা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবীখিবী ইমাশিংগী মিং ওইনা পঞ্জরবদা প্রসিদেন্ট ঙাঙোম ওংবী চন্দ্রবতিনা ওইবীখি। হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইবীরিবা অরিবম বিমোলানা সেক্রেটরি ওইবীখি। ইমাসি এক্স এম এল এনি। ত্রেজররনা এন মঙ্গিনা ওইবীখি। মতমসিগী মেম্বর ওইরম্বী ইমাশিং লাইরিক-লাইশু হৈবী ইমা ঙাক্তনি। ইমাশিংগী ৱাখল্লোন্দি মণিপুরী নুপীশিংনা হীরম খুদিংমক্তা যাম্না তোন্না হিংবগী মওং অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎনীংবগী ৱাখল লৈখি। মমা মপা লৈজদ্রবা তোল্ল-তারবা, কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংবু য়োকখৎপীদুনা শেন্বীবগী ৱাখলসু লৈখি। মতমদুগী ইমাশিংনা লৌরম্বা থৌদাং অসি মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরগনি।

মণিপুর মহিলা কল্যান সমিতিগী মখাদা কুমজা ১৯৭২দা চিলদ্রেন হোম হৌরকখি। কুমজা অসিদগী ঙসি ফাওবা মরাইবক থীরবা অঙাংশিং ঙাকপী শেনবীবা, মহৈ-মশীং তমহনবীবা, খূৎ-শা হৈবগী থবক থৌরম কয়া তাকপী তম্বীরি। অঙাং খুদিংমক মশা মরোমদোম হিংজবা ঙম্নবা, তুংগী পুন্সিদা তাইবঙপানবা মপুগী শিন্থা কয়া শিনফম ওইজনবা হোৎনবীরি। পীক্লিঙৈ হোমসিদা ঙাকপী শেনবীদুনা লাইরিক-লাইশু নিংথিনা তম্বীদুনা থম্বীবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। ইমাশিংনা অঙাংশিং অসিগী চাউরবা থৌদাং পুবিবা তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌজালনা ঙমজবনি। ইমাশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচৈ।

হৌজিক হৌজিক লূপ অসিগী ফম পুবীরিবী ইমাশিংদি - কে বিনোদিনি (এদভাইজর), ওফিস বিয়ররশিং - অরিবম বিমোলা (প্রসিদেন্ট), আর কে সনাতোম্বী (ভাইস প্রসিদেন্ট), এম প্রমোদিনি (সেক্রেটরি), এন জামিনি (ত্রেজরর), এস বামি (জোইন্ট সেক্রেটরি), লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ৬ লৈ। হৌখ্রবা ইমাশিংনা শিন্নবীরম্বা থৌগাই পূম্নমক তেক্তা কায়দনা, অৱাৎপা লৈতনা, অৱা অনা তাহন্দনা ঙাকপী শেনবীবদা তাইবঙ মপুগী থৌজাল ফংবা ওইবীয়ু।

মীওইবা ঐখোয়গী খোঙচত্তা লৈত-লায়রগী থৌগল তৌবনা মপুগী থৌগল ফংজবনি হায়রি। ঐখোয় খুদিংমক অশি মচা ঙাক্তনি। হিংলিঙৈদা নুংশিবা হায়বা মমল নাইদ্রবা পোৎশক অসিনা মাঙ থাদুনা চৎমিন্নসি। নুংশিবা হায়বদগী করিবু অহেনবা লৈরিবগে তাইবঙ পানসিদা। ঙসি লৈরম্লিবা ঐখোয় পূম্বসি নোংমদি শোয়দনা শিগদৌরিবনি। শিখ্রবদি অমুক উনবা ফংলরোই। কবো লৈকায়দা লৈরিবা এম এম কে এসকী থৌপুবিরিবী ইমাশিংগী (Aims & Object :- For the upliftment of Manipuri Women in the Society. Under the patriarchal form the Society, in every field in family, society economically & politically) নুপীশিংনা যাম্না শোখনা হিংবা, নুপীশিংবু নমথবীবা, সমাজদা মণিপুরী নুপীশিংগী মফম চাউনা থম্বীদবা কয়াবু চাওখৎ লমজেলদা পুখৎপীদুনা অরংবা মণিপুরী নুপীগী শক্তম অমা উহনবীবা ঙম্বা ওইরক্কনি খঞ্জে। নুপীগী য়াইফনবা খঞ্জবা ইমাশিংনি। The Samiti is also publishing an annual Magazine "Nupigee Yaiphaba Khongthang" for encouraging young writers specially the creative mind of children of MMKS, Children Home.

মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌনা মালেম পূম্বনা শীংথানরি। সমিটি অসিনা under the Central Social Welfare Board, New Delhi গী মখাদা এৱ্যেৰ্নেস প্রোগ্রাম কয়ামরুম তৌবীদুনা অঙাংশিংবু লৌশিং হাপ্পীরি। মীওইবগী কোকসিদা য়াওরিবা ব্রেন অসিনা হাপচিল্লিবা মখৈ থনবা নাইদ্রবা মপোক ওইরি। লৌশিংনা শামু ফারিবনি। মীওইবা হায়বা জীব ঐখোয়সি খ্বাইদগী অথোয়বা অহেনবা ৱাখল হাপ্পীরিবনি। মতম পূম্বদা অফবা খক্তা খন্দুনা অফবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপনা ঐখোয় খুদিংগী ইথৌদাং ওইরসি। ইমা লৈবাক কনবনা মচা ওইবা ঐখোয়গী চাউরবা শরুক য়ামিন্নরসি। মীতৈ পোকপী ইমানা মচা ওইরীবা, ওইরিবী খ্বাই পূম্নমকপু চেৎনা থাগোন্নবীরি।

চিলদ্রেন হোম অসিদগী হৌরকখিবা ইমা লৈবাকপু থাক ৱাংনা থাংগৎলমখিবা লৈখিদ্রবা ঙাঙোম দিঙ্কো অমদি এম দেবেন We are proud that our Children Shri Ng. Dingko Singh, Gold Medalist in boxing at the XIII Asian Games. Bangkok (1998) and M. Deben Singh, SAI (Sports Authority of India), Judo Coach (Awardee of National Best Coach 1987) have brought laurels to the Nation.

চীংমৈরোংদগী মমাঙ পাংনা চৎলিবা লম্বী অসি দিঙ্কো রোদ হায়না মীংথোন পীরি। চিলদ্রেন হোম কবো লৈকায় (দ্যুলালেন্দ) দগী মহৈ মশীং তম্বীদুনা য়োকপীরকখিবা দিঙ্কোগী শিবা নাইদ্রবা মপোক অমা ওইরি। কনা লৈজদ্রবা অমদি ইনাক খুনবা ইমুংগী মচা মশুশিংদা হায়জনীংবদি অসিনি। মীওইবা ঐখোয়সি হোৎনবা কনবা মীওই খক্তনা লানঙম ফিরাল থেৎলি।

চৎলিবা থা অসিগী সেপ্টেম্বর ১১, নিংথৌকাবা নুমিত্তা 'মণিপুর মহিলা কল্যান সমিটি' গী ৫৮লক শুবা ফাউন্দেসন দেনা লাকপসিদা লাইওইখ্রবী ইমাশিং অমদি ঙসিমক্কী হোমসিগী থৌগাই পুবিরিবী ইমাশিং পূম্নমক্কী য়াইফ থৌজাল নীজরি। সমিটি অসিগী 'লোগো' অসি অসুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লৈ। উরুবদা থম্মোয় শোক্লা নুংশিজৈ। লোগো অসিগী শক্তম অসি ইমা অমনা খূত্তা মৈরা, নঙ্গলদা ইচা পোদুনা, কোক্তা লুকমায় পুরি, খুদাংদা শেঙ্গাও অমসু য়াল্লি। মতমগী মতুংইন্না অওনবা চাওখৎপা কয়া লাক্লবসু মীতৈ ইমাগী লৈজরম্বা শক্তম অসিদি নীংশিংদুনতা লৈরগদবা মুৎনাইদ্রবা মমল য়াল্লবা মীয়ামদা তম্বীরম্বা খুদোলনি।

লৌশিং লৈবী, লাইরিক হৈবী, চঙখোনবী ইমাশিংনা তুংগী মীরোলনা কাউররোইদবা শক্তম অসি থম্বীরম্বগীদমক অমুক্কা হন্না লৈবাক মীয়াম্না খুরুমজরি। মমাঙৈ য়াম্না ঙন্না মণিপুরগী অহানবা লাইরিক-লাইশু অনীমক মপূং ফানা হৈরবী ইমাশিংগী ৱাখল লৌশিংবু তুংগী মীরোলনা শক্ল-শোন্নহৌরসনু। ঐহাক্লা খঙজহৌবা সমিটিসিগী চাউনা থৌপুবিরম্বা লৈঙাক্কী থৌমী ওইরুবনা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইখিদবা মিং ওইনা পঞ্জরবদা লৈখিদ্রবা এস পদ্মাবতি মীয়াম্না ওজা পোদা হায়না খঙনখি। অনীশুবদা লৈখিদ্রবী ওজা এল সরোসিজ, ওজা থোইবী, হোকি ইমা মোমোননচিংবা অমদি মীং খঙজহৌদ্রবা ইমাশিং পূম্নমকপু ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা চিলদ্রেন হোমগী গেট হাংবা উবদা চৎলুই। গেটকী মনাক নক্লা চেকপলগা হেক তাইনবা মফমদা চেদা য়েক্লম্বা নুংশিজরবা মীতৈ ইমাগী শক্তম অদু 'ষ্টেচু' ওন্থোক্লম্বা উজখি। 'ষ্টেচু' দা মীৎকী পিরাংগা লোয়ননা খুরুমজরবা তুংদা কনানা কৎলিবনো য়েংজরুই অমদি পাজরুই। এম এম কে এসকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবী সোরোকখাইবম নিঙোল লৈমপোকপম ওংবী রোমা অপোকপা লৈখিদ্রবা এস থম্বালঙৌ, শগোলবন্দ ক্বাকৈথেল সোইবম লৈকায় হাওরোকচানবী ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুরদা লৈবীনা কৎচরম্মী। মীয়ামদা মতিক মগুন লৈরবা 'ষ্টেচু' অসিবু ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা লম্বীগী অচৎ-অওক খুদিংমক্তা উবা ফংহনবীবগীদমক রোমাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচৈ।



ষ্টেচু অসিবু কৎচরিবী শোরোকখাইবম রোমা

খঙলমদবা, উরমদবা লমদমসিগী অমদি মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্লা মীতৈ নুপীগী শেংলবা শক্তম্বু খঙবীরগনি খঞ্জরুবদা নুংঙাইজবা, হরাওজবা ৱাখলনা পীক থনবা থম্মোয় ওইরকখি। মীওইবগী মীৎতগী পি তারকপসি অৱাবা অমদি নুংঙাইবা অনীমক্কী ওইরি। নুমিৎ অসিগী পিরাংদি অহানবা হৌদোকপীরকখিবী ঙসি ফাওবা ঙাকপী শেনবীরিবী ইমাশিং অমদি কৎচরিবী রোমাবু তাইবঙ মপুনা চানবীরগনি, শিবা নাইররোইদবা মপোক, মিংচৎকী উরোং খিনবা থৌজাল পীবীরসনু। অসুম্না অইবীগী থম্মোয়দা ফাওজখি। হেক উরুবগা ইনীংবনা ৱাখল লৈতাফম খঙখিদে। অদুবু লৈবাক্কী কাঙলূপ অনীগী উংখৎনরকপা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা ইজবা ঙমজখিদ্রে।

লৈবাক্কী মীশি মীনা থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসিনা মীয়াম্না অৱাবা খাংলিবা চৈনা অসিগী মরমদা খঙজবা অমদি পাউজেল খরা অহানবা ৱাখল্লোন থমখিববু ইমাশিংনা ঙাকপীগনি। সমিটি অসিগী চহীগী কুমওন্না লাকপসিদা য়াম্না থৱায় য়াওনা ইজবনি। ইজরিবা ৱাহৈ-ৱাত্তা, ইমাশিংগী মিং খঙজহৌদবা অৱাৎ-অপা লৈরবসু ইমাশিংনা নুংশিবীয়ু হায়বা ৱাফমসু থমজরি। হন্দক্কী ঈরংসিদা হোম অসিদা মৈ চাকখিববু মীয়াম পূম্নমক্লা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইজদে। হোম অসি লাইগী লাইশঙ ওইনা মীয়াম্না থমজরিবনি। ঐখোয় মীয়াম্না অঙাংশিং অসি অমদি হোম অসিবু মতেং পাংবনা মপুগী থৌগল ফংবনি খনমিন্নসি।

অতোপ্পা অমনা ময়ামগী পূক্লিং চিংশিনজরি, মদুদি তাকয়েলদা 'ব্লাইন্দ হোম' অমা লৈ, হোম অসিবুসু মীয়াম্না নুংশিবীয়ু। ৱারবা মীৎ উবগী শক্তি লৈজদ্রবা অঙাংশিংনা মহৈ-মশীং তম্বগী ওইরো, চানবা-থক্লবগী ওইরো, শেৎন-চানবা ফিরোল ওইরো পূম্নমক অৱাৎপনা পীক থলহৌরি। অৱাবা ইমুংদগীনা অয়াম্বা ওইহৌরি। মেদিকেল দিপার্টমেন্টনসু মরক মরক্তা ডাক্তরশিং থাবীদুনা য়েংথোকপীরবদি য়াম্না ফগনি হায়না পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

মীৎ উদবা অঙাংশিংনা খ্বাইদগী ৱাবা তাঙ্কক অমত্তং থমজগে। লাইরিক তমজরিবা অঙাংশিংগী পরিক্ষা থাবদা কাঙলোন অমা লৈ। মদুদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অয়াবা শকখঙ চে পীরগা অতোপ্পা এগজাম হোল অমদা ওজাগা লোয়ননা পরিক্ষা থাহল্লি। হায়বদি মীৎ উবগী শক্তি ফংজদ্রবা মহৈরোয় অদুনা মচিন্না হায়রগা মীৎ উবা মহৈরোয় অদুনা ইবীবনি। মীৎ উবা অদুনা হেক্তা ইশিনবা য়াবা নত্তে। মরম অদুনা সেন্টর তারিবা স্কুলগী ওজা অমনা শেন্নরিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা পীরিবা থাবীগদৌরিবা মহৈরোয় অদুগী 'এদমিট কার্দ' ইস্যু তৌরিবনি। পূম্নমক অসি খঙলবসু লমদম অসিগী পরিক্ষা মতমদা মীৎ উজবা ফংদ্রবা অঙাংশিং য়াম্না অৱাবা নংলি। মরম অদুনা মহৈরোয় নহারোল খুদিংমক্তা হায়জরি ইমা লৈবাকসিদা ইচিল ইনাও ওইনা পোকমিন্নরবা নাম্মা শোয়রবা অমদি ইমা ইপানৌনা কায়নখ্রবা পূম্নমকপু নুংশিবনা য়াইফবা ওইগনি হায়বসি কাউফদে। মহৈরোয়শিংনা তাকয়েলদা লৈরিবা 'ব্লাইন্দ হোম' দা চৎপীদুনা অৱাৎ অপাদা মতেং পাংবীয়ু হায়না অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

(লমায় ১গী মখা চথরকপা)

## (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

# 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

### 'সি এস ও মশেল হুন্নদুনা ঙাঙনবীগনু'

(১১)

পাউচে অসিগী ষ্টাফ পুম্নমকপু তৌবীমল খঙবা উৎচরি। হৌজিক লমদমসিদা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুন, মীশি মীনা খুদিংমক মখা তানা থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক অসিনা হোৎনবগী মমি তাবা উদে। মসি মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং অমনি? অমরোমদা মীচম মীয়াম অসুক্কী মতিক খম থেংনা ৱাবা হায়বদু ওইরে। পাল্লিবা লৈঙাকসিনা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদ্রে, মীচম মীয়ামসু ঙাকপী শেনবীবা ঙমদ্রি, মসিবু লৈঙাক অমা লৈবগী মীচম প্রজানা চাওথোকচনিংঙাই লৈরিব্রা? পোপ্পিগী ৱাথোক এসটি দিমাদগী ৱাথোক, তোখায়বা লৈঙাক্কী ৱাথোক খুদিংমক ওইসনু সেন্টর অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা খুদিংমক য়েংদুনা মীতৈ মীয়ামগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অদুম্মক লান তৌনৌ হায়বগী মওংদা লৈবসিদি য়ানিংদে। ঐগী ৱাখলদা মণিপুর লৈঙাক্লা সেন্টরগী পিএম মোদিগী লৈঙাক্তা, ঐখোয়গী মণিপুরগী মীচম মীয়ামসি খম থেংনা ৱারে। মিনিষ্টর, এম এল এ ওইরিবা ঐখোয় মীচম মীয়াম্না য়ারক্ত্রে। মিনিষ্টর, এম এল এ ঐখোয়গী য়ুম মৈ চাক্কদৌরে হায়বা ৱাহৈসে হায়বা মথৌ তারে। মায়কৈ অনীগী গ্রুপ গ্রুপ ওইনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। অমরোমদা, লৈরিবা সিএসও ময়াম অমগা অমগা য়েৎনবা, ঙাঙনবা, চৈনবা মেদিয়াদা থোক্তুনা হুন্নবা তৌবীগনু। সিএসও খুদিংমক পুনশিনবা হায়বসিমদি মতম চঙগনি লাল্লাক্তা সি এস ও পুনশিন্নবা ঙাইরগা লালথেংনবদি ৱাগনি। মতম মতমগী খোঙজংদা অমত্তা ওইনা মীচম মীয়াম্না শরুক য়ারক্কনি লৈবাক্কী ফগদবা খোঙজংদা সি এস ও খুদিংমক্লসু শরুক য়াফম থোকই। ঐখোয়না শিনবা মখোয়না শিনবা থীবিদনা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থৌদোক থোক্তনবসু হোৎনবা মথৌ তাই। সি এস ও অমনা সি এস ও অমা নত্ত্রগা গ্রুপ অমনা মেদিয়াদা হুন্দুনা ঙাঙবগী চৎনবী থাদোকসি।

অদোমগী - ৱাঙ্খেরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং
\# ৮০১৪৪৮৭১৪১

### 'লৈঙাকসি অশিবগা পাঙ্খক ওইরব্রা'

(১২)

মে ৩ দগী ফক্ত্রবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীহাৎ অমদি মীতৈগী য়ুমশিং অমদি লূরবা লাইফমলেন কয়া মৈ থাবীখিবা অমসুং ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা মখোয়না লান্দারক্লিবা অসিদা লৈঙাকনা তুমিন্না লৈশিনবা অশিবগা পাঙ্খক ওইরব্রা? প্রজা খরসু নোংশাগুম থৌদ্রিবা কাঙ্খ থাং ময়া য়াওদ্রবা থাংগুম লৈরিবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। থাইনা পামহৈবা মতমদগী মীতৈ চা কয়াবু মীয়ান লম্বোইবা কয়ানা থম্মায়শিনবা কয়ানা....

মীতৈচা কয়া মীৎ মায় পাঙবা ঙমদ্রিবনি হায়না অহলশিংনা তাকপী

মরম অসিনা মীতৈচা কয়া মীৎ মায় পাঙনবা থাং ময়া য়াওনবা নোংশাগুম থৌননবা লানঙম ফিরাল থেৎনবা

চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ থাংজিং কোইরেলাই মহাকপু হৌদোকসি, চীংঙু মানা হৌগৎলকপা মতমদুদা চীংঙু খোইয়ুম লোইনমক হৌ হৌ হৌরক্লনি

শলাই তরেৎ শাফোঙলনি...

লাল্লোই তরেৎ শাফোঙলনি...

ইপু তরেৎ শাফোঙলনি...

মীতৈ কংলৈচা শালাইচাশিং লোইনমক নোংশাগুম থৌরকখিনি লানঙম ফিরাল থেৎলক্কনি। মরমদি হৌজিকসে অখঙ অহৈ কয়ানা লাংওন লংদাই মতমনি হায়না তাকপীরি।

(য়ু ট্যুব টাইটল "নোংঙান্দ্রিবা অহিংগী য়াকায়রোল" ভোল্যুম-২ ঐহাক্তি করিসু খঙজবা নত্তে

ৱাহৈ খরসি হায়রগা লোইশিঞ্জরগে। শোয়খিবা য়াওরবসু ঙাকপীয়ু।

অদোমগী - এম বিকি সিংহ, ক্বাকৈথেল
\# ৮৭৮৭৭০৬১৯৬

### 'থওইনা লোইশিন্দ্রিবরা'

(১৩)

মণিপুর কনবা পাম্বা অমদি মণিপুর থুগায়বা পাম্বা অনীগী থেংনরিবা লান অসিবু ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল অনীগী দব্বল ইঞ্জিননা লোইশিনগে খল্লম্বদি য়াই। অদুবু থওইনা লোইশিন্দ্রিবরা হায়বা ৱাখলদো ফাওহল্লে ঙসিদি। লান খাম্বদি মাল্লগা মণিপুর কনবা পাম্বা কাঙবুনা মখুৎ মখোঙ পুনশিল্লগা মণিপুর থুগায়বা পাম্বশিংনা থানিংবা জাগাদা থাহনবা, ফুনিংবা মফমদা অমদি মতমদা হেক্তা ফুহনবগী মমি চাউনা তাবা মীয়াম্না উনরি। তশেং তথেংনা লৈঙাক্লা লেপহনগে খল্লগদি নুপা থোক্লা হায়গদ্রা মরু ওইনা চীংগা তাইনবা ইরাং থোক্লিবা মফমশিংসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসি তমগা হেক তাইনরিবা চীংথক হায়বদি কুকিশিংনা খুদোংচাই হায়দনা শারিবা বঙ্করদুদা থম্বীরগা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুনা চীংনুংলোমদা তকশিনখ্রদি ইরাং লোইরে কুকিনসু কাপ্পা হৌরক্ত্রদি নোংমৈ কাপ্নদে। লান লোইরে মখোয়না শাননিংবা মতমদা শান্নদুনা লৈরিবসি লৈঙাক্লসু উরমগনি তারমগনি। মীতৈশিংনা লান হৌদে, মীতৈদি কুকিনা লান্দারকপদা মতিক চাবা অহকপা পাউখুম পীবা খক্তনি। মীতৈনা লান্দারকপা তারগদি লৈফম লৈরোই মণিপুরদা কুকি রিফ্যুজি অমত্তা।

অদোমগী - দিনেস খাইদেম, খুরাই কোন্সম লৈকায়
\# ৬০০৯৬৫১৭৬৫

### 'থিংনবা হোৎনসি'

(১৪)

লমদমসিদা লৈতাদ্রবা মতম অসিদা থবক শু নোম্বা, মহৈ মশিং অমসুং শেন্দাল লম্বেলনচিংবদা মনিং হন্নবা চথরক্লিবা বন্দ, পব্লিক কার্ফিয়ু, শিন্থা লেপ্পনচিংবা অসি ময়াম চঙদুন থিংননবা হোৎনরসি। অসিগুম্বা লানগী মতম অসিদা য়েক্লবা ওইরিবা অসি অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনি। ঐখোয়না শোন্থরগা য়েক্লবদা মতেং পাঙশিনবা মতৌ অসি থাদোক্লসিদা। ঐখোয় হিরম খুদিংমক্তা মতিং লৈনা হিংবা মথৌ তাই।

অদোমগী - খুন্দ্রাকপম বোবি সিংহ, হোদাম লৈরক
\# ৮০১৪৯১৪১৪৯

### 'লম মপুং ফানা লৌশিন্দ্রিবমখৈদি লান ঙম্মী হায়বা য়ারোই'

(১৫)

শোক্লরিবা লান অসি লমগী লাননি। অদুনা লান অসিবু মায় পাক্লে হায়বা মীৎকুপতি মীতৈ ঐখোয়না ঐখোয়গী লম মপুং ফানা লৌশিল্লবা মতমদতা লান ঙম্বা ওইগনি খঞ্জে। ঐখোয় লান মায় পাক্কদৌবা য়াম্না ৱাৎলি অদুনা ঐখোয় মশেল ওনশিন্নরগা লৈরক্লিবা ফিভমসি পুক্লিং ফাথমিন্নসি অমনা ঙাঙবা অমনা হায়বা তান্নসি।

হৌজিক হৌজিক লান অসিদা ঐখোয়না ৱাকৎফম লৈত্রে ৱাকৎকদবা মীতৈ এম এল এশিংসু ৱাকৎ মীফম য়াওশিল্লকপা, মৈরা রেল্লি য়াওশিল্লকপা তৌদুনা লৈশিন্নরকপা অমদি এম এল এশিংসিনা ঐখোয় প্রজাশিংবু ঙাকপীবগী মহুত্তা মখোয়গী খোঙলোই খরা পীজ পীথক তৌদুনা মতু মচা ময়ুম শঙহন্দুনা থল্লি। অদুবু ঐখোয় নিংহন্নবা তৌরোইসি ঐখোয় লান লেপ্পোইসি অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা লান মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি।

ঙসি থা ৪ হেন্না ৱানা অহিং নুংথিল খঙদবমখৈ লান মায় পাক্তবা য়াদে হায়না হোৎনরিবা মীয়াম্না ভোটকী মতম য়ৌরকপদা ঙসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়দা ওৎলিবসে নিংশিংমিন্নসি। ঙাইহাক্কী মিত্রং হৈবা পোলিটিসিয়নশিংগী লূপা ১০০০/২০০০ গী লাংদা থুরোইসি। হন্দক ঐখোয় মীকপ থোকহৌদ্রবদি অমদি লিংজেল মান্নহৌদ্রবদি ঐখোয় মীতৈ হিংনা হিংনা শিবগা পাঙ্খক ওইহৌরগনি। য়াইফরে কংলৈপাক ইমানা।

অদোমগী - নিংথৌজম ধনপ্রকাস সিংহ
নম্বোল কোংখাম অৱাং লৈকায়
\# ৯৮৫৬১৪৩৬৯২



HL-B/8030/5 Aug. to 1 Oct. Alt.
HL-B/8193/1 Aug to 29 Sept
